# সরকার অসিগী য়াইফ থৌরাংশিং লেপ্তনা পায়খৎলবদি চহী ১০দদি অতৈ ষ্টেটকা চাংদম্নবা য়ারগনি ঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ প্রাইম মিনিষ্টর জন অরোগয়া য়োজনা (পিএম–জেএৱাই) লমদমসিদসু হৌদোকখিবগা লোয়ননা স্কিমসিগী কন্নবা ফঙগদবশিংদা গোল্ডন রেকোর্দ নৎত্রগা ইলিজিবিটিলি (ঈ) কার্দসু ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা য়েন্থোকখ্রে। লমদমসিদা সরকারসিনা য়াইফবা থবকশিং মখা তান্না চত্থরমদি চহী তরা (১০)দদি ষ্টেট অতৈদগী হেন্না চাউখৎপা ঙমগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি দিপার্টমেন্টনা চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা অয়ুসমান ভারত হায়রগা খঙনবা প্রাইম মিনিষ্টর জন অরোগ য়োজনা (পিএম–জেএৱাই) স্কিম হৌদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা স্কিমসিগী মখাদা কান্নবা ফঙগদবা গোল্ডন রেকোর্দ নৎত্রগা ইলিজিবিটিলি (ঈ)–কার্দশিং তোঙান–তোঙানবা মীওইশিংদা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈতা লাইরবশিংবু মতেং পাঙবা হায়বসি মীওইববু তশেংনা সেবা তৌবা, খ্বাইদগীসু হেন্না অফবা ধর্ম্মনি। লমদমসিগী ওইনসু হৌখিবা চহী ২০১১গী সোসিও ইকোনোমিক কেসলি সেন্সনতা য়ুম্ফম ওইদুনা মীয়াম্না স্কিমসিগী কান্নবা ফঙগনি। স্কিম অসিদা চল্লিবা মীওই লাক্ষ ২৭৭সি নত্তবদা চনহৌদবা তশেংনা লাইরজবা ইমুংগী মীওইশিংদি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাংগী কান্নবা ফংহনগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লমদমসিদা হৌদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাং (সিএমঐচটি) মীয়াম্না মপুং ফান্না শৌগৎপীরকখি। চীফ মিনিষ্টরগা উন্নবা লাকখিবা মীয়াম্না স্কিম অসিদগী কান্নবা ফঙবগী পাউদমশিং তম্বীরকপদা নুংঙাই ফাওরি হায়খি। অদুবু হিরমসিদসু লমদমসিগী গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী ডাক্তরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মতেং পাঙবদগী মায়পাকপসি ঙল্লিবনি।

হৌখিবা চহী খরদগী লমদমসিদা অহোংবা পুরকখিবগী শক্তমশিং উবা ফংলে। চাউখৎ থৌরাংশিং ওইনা হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈরকখিবা, অনৌবা ফ্লাই ওভর ব্রিজশিং মথং মথং শাগৎন্নবগী থৌরাংশিং তৌরকপসিনা লমদমসি চহী খরগী তুংদদি অওনবা শক্তমসি উবা ফঙলগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি।

খুন্দামীনরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা মমাঙদা পাউ ফাওনবা ৱাৎপগী ফিভমদা লৈরম্বশিং হৌজিক্তি খরা খরা ফরক্তুনা অমত্তা ওইবা ৱাখলোন্দা তপ্না পুনশিলক্লি। হিরমসিদা মাওগী মহৈরোইশিংনা ইম্ফালদা মহৈ তমন্নবগী হোষ্টেল শান্নবা লম পীবিয়ু হায়জরকখিবশিং অসি পুক্লিংদা নুংশিবা ফাউই হায়বা ৱাফমসু মহাক্না হায়খি।

মোজর কম্ম্যুনিতি ওইরিবা মৈতৈনা অপীকপা ফুরুপশিংবু নুংশিবা কোনশিনবীবা মতম ওইরে। মরমসিদগী মাওদা পাঙথোকপা লৈগী ফেষ্টিভেলবু সঙাই ফেষ্টিভেলগা নভেম্বর ২১তা অমত্তা ওইনা পাঙথোকমিন্নরগনি। অদুগা সঙাই রনবু মাওগী খুঞ্জাশিং য়াওজগে হায়কখিবদা অয়াবা পীখিবনি হায়খি।

মখা তারপদা লমদমসিদা মীয়ামদা লৈজরিবা অফবা ৱাখলোনশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লগদি শোইদনা মালেমদা মাঙজিল থরগনি। হৈথোই শিং থোইবা, অফবা ৱাখলোলশিং চেল্লিবা লমদমসিগী মৈতৈশিংবু এসটিগী লিষ্টতা চৎলকখ্রবা মতুং দদি থিংবা ঙম্লোইদবা অমদি ওইরগনি মীয়াম্না খন্নরিবনি। হৌজিক চত্থরিবা অফবা থকশিং অসিগুম্বা মখা তান্না চত্থবদসু লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হেন্না মাঙজিন থান্না চাউখৎপসু ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা থৌরম মপু, স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমদি দিপ্যুতি স্পিকর কে রোবিন্দ্রনা অথোইবা লেঙবীরকগা ওইদুনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা লমদমসিগী এমএলএশিং, চীফ সেক্রেটরী জেনিমস, রিমসকী দাইরেক্টর, প্রাইভেট হোস্পিটালগী প্রোপ্রাইটর, সিএমও অসিনচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

# য়ুনাইটেদ নেসন্স দেগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ ঙসিদগী হৌরগা থা অমা চুপ্না পাঙথোক্কদবা য়ুনাইটেদ নেসন্স দে–২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজের খুলদা য়ুনেস্কো ক্লব মণিপুর অমদি লৈতাই নুংদাই শিন্নাই পুঙ, ৱাখা অয়োকপা খুলনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী মুৎলুরবা অপীকপা ট্রাইব ফুরুপ কয়াসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা টিঐচ শমুঙৌনা ইবা 'তেংবানবা অমসুং লাইনিংথৌ লাইপাউগী নুংগী ঈচেল' অমদি এম তোম্বনা ইবা 'নোংমগী মৈতৈ ঈনাৎ লিচৎ' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনীসু ফোঙদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখি।

থৌরমদুগী অথোইবা মিথুং লেন ওইখিবা শঙাই হোল্ডিংসকী মেনেজিং দাইরেক্টর নারেংবম শমর্জিৎনা হায়, মণিপুরদা খুন্দারিবা অপীকপা ফুরুপপু মুৎখিদনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি। ফুরুপ খুদিংগী লৈজবা খূৎনা শাজবা পোত্থোকশিং য়োকখৎমিন্নসি। লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী বেন্নরগা মান্নবা প্রোজেক্ট অমসু মহাক্না পায়খৎনবা শেম–শাবা লোইরে হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা রিটয়ার্দ সেনিয়ার লেকচর তোংবম গুলামজাৎনা হায়খিবদি, ঙসিগী থৌরম অসি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকপু নুংশিনবা পুরক্নবা থৌরম অমনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি হৌজিক ওইরিবা সমস্যা অসিদা য়াম্নমক দরকার ওই। ঙসি চাউখৎলবা সমাজ অসিদা য়ুমথোঙ খুদিংগী লাইরিক হৈরবা মীওই কয়া লৈনরে। লাইরিক হৈনরগা চাউখৎপা, ইংতপ্পা পুরক্কনি খল্লম্বা অদুগী তাইওন্নবদা তাবদা হঙ্গোইবা থৌদোক–ৱাথোক কয়া মশীং হেনগৎলক্লি। মসিগী মরমদি লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা অসিননি। হৌরক্লিবা নহাশিংনা সমাজ অসি খঙগে হায়রবদি লাইশু খঙবা মথৌ তাই।

থৌরমদুদা নোংথোম্বম রাজেন্দ্রা–ফোর্মর প্রসিদেন্টইচম, ৱোজেন্দ্রা নিংঙোম্বা–এডিটর ইন–চীফ আইএসটিভি অমদি প্রোফেসর সিঐচ মঙলেম সিংহ–ঐচওদি ওবস এন্দ গাইনি, জেনিমসনা ইকায়খুম্নবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# শৈশক্কোনগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ বেদবতি খুনুং ঈশৈ শিন্দম শঙ (শৈশক্কোল)গী ৫রক শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা জেএনএমদিএ, ইম্ফালগী দাইরেক্টর এল উপেন্দ্র শর্ম্মনা হায়, মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ইনাৎ অমদি লাইনিংশিংবু প্রিজাভ তৌবদা নত্তনা রিছার্স তৌবসু মথৌ তাই, ঙসিগী মীরোলনা রিছার্স তৌবগী চাং অসি য়াম্না ৱাৎলি। ৱাৎলিবা অসি মেনশিল্লবতন্দা হেন্না চাউখৎলকপা ওইগনি। থবক অমা তৌবা মতমদা খোইজংবা, খাঙবা কনবা, নোলুকপনা তুংদা মায় পাকপা ওইগনি। আর্টিষ্টশিংনা এৱার্ডকীদমক খল্লগা থবক তৌগুমসি। শৈশক্কোল অসিনা ঙসি ফাওবা পুথোরক্লিবা মহৈরোইশিং অসি থৌগল, হৌন লোনচৎ ফজবতা নত্তনা খুনুং ঈশৈ অসিবু মালেমদা শক্তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা শিন্দম শঙ অসিবু য়োকখৎপদা মীয়াম পুন্না পুকচেল শেংনা হোৎনমিন্নসি ।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা পদ্মশ্রী এৱার্ডি এস থানিল সিংহনা হায়, ফোল্ককী হৌরকফম অসি খঙদোক্লগা থম্বা অমদি তুংগী মীরোলশিংদা খঙহনবা মথৌ তাই। মুৎলুরবা শৈশক অসিবু য়োকখৎলক্নবা হোৎনবদা শৈশক্কোল অসিনা চাওরবা থৌদাং লৌরি। ফোল্ক অসি চাউখৎতনা মণিপুর কলচর চাউখৎপা য়ারোই। ফোল্ককী হৌরকফম খঙলবা মতমদা চাউখৎপা হায়বদু ওইগনি। মণিপুরদা অসিগুম্বা ওর্গনাইজেসন মশীং য়ামদে। মরম অদুনা শৈশক্কোল অসি চাউখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা ফোল্কপু পামজবা নহা–অহল কয়ানা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লাইওইখ্রবা শৈশকপা ওঝা এল বিরেন্দ্রকুমার, বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মগী ফোটোদা লৈ–শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

# টেলিকোম সার্ভিস থীংজিনবসি ফন্দামেন্টেল রাইটস মৎপনি, কোর্ট নৎত্রগা কম্মিসনদা ৱাকৎপা য়াইঃ লিগেল এক্সপার্ট

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ গভর্ণমেন্টনা টেলিকোম সার্ভিস লমদমসিদা থিংলিবসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ফন্দামেন্টেল রাইট মৎপনি, মীয়াম্না কোর্ট নৎত্রগা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎপা য়াই হায়না লিলেগ এক্সপার্ট অমনা পাউ–চেসিদা ফোঙদোরক্লে।

মসিগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীনা লিগেল এক্সপার্ট অসিগা হকথেংননা উন্নরুবদা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯(১)না পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটস তা য়াওবা ফ্রিদম ওফ স্পিচ এন্দ এক্সপ্রেসনবু লমদমসিগী মীয়ামদা গভর্ণমেন্টনা মৎপীবনি। অদুনা মসিগী অশেংবা পাউখুমশিং ফঙননবা মরী লৈনবা কোর্ট নৎত্রগা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা আইবা ৱাকৎশিং পীশিনবা য়াবগী অশেংবা হক লৈ হায়খি।

মখা তারকপদা ঐখোয়গী পাউমীনা লমদমসিদা লৈরিবা টেলিকোম সার্ভিস প্রোভাইদরশিংগা হকথেংননা উন্নরুবদা বাবুপারাদা লৈবা এয়রটেল হেদ ওফিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিংগা উন্নবদা সেল তৌগদবা শেনফমশিং চাউনা হন্থবতা নত্তনা টেলিকোম সার্ভিস অসিগীসু চাওনা মাঙজবনি। অথিংবা লৈবসিনা চাউরাক্লা লুপা লাক্ষ ২৫ রোম নোংমদা এয়রটেলগী ওইনা মাঙহল্লি হায়রকখি।

মখা তাবা ওইনা বাবুপারাগী বিএসএনএলগী ওফিসতসু চঙদুনা হংলুবদা মকোক থোংবা জিটিএমনা বিএসএনএলগীদি ফিক্স ওইনা গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা প্রাইভেট ওফিস, ইন্দিভিজ্যুলশিংগী য়ুমদা থল্লিবা ব্রোদ বেন্দশিংদি ইন্টরনেটকী অথিংবা লৈতে। অদুগা মোবাইল ওইনা পুদুনা চৎপা য়াবা বিএসএনএলগী ইন্টরনেটকী অথিংবা লৈখিবনা চাউরাক্লা নোংমদা লুপা লাক্ষ ১০গী চাংদি মাঙজবা ওইরি হায়খি। মখা তাবদা ভোদা ফোনগী পাউনা বাজারদা লৈবা মিনি ষ্টোরদা হংলুবদা, করিমত্তা খঙদবগী পাউখুম ওইনা পীরকখি। লোয়ননা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা জিওগী হেদ ওফিসতসু ঐখোয়গী পাউমীনা হংলুবদা মেনেজর মপানদা লৈখি হায়বনা অশেংবা পাউখুম ফঙবা ঙমখিদে।

অদুবু সার্ভিস প্রোভাইদরশিংগী মত লৌবা লোইরবা মতুংদা খ্বাইরম্বল কৈথেলদা পোৎ–চৈ লৈবা লাকখিবা কষ্টম্মরশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবদি,অকক্নবা মতমগী মনুংদা শীজিন্নগদবা শেনফমশিং নুমিৎ খরনি অসিদা মাঙজরি। লোয়ননা ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা পাক চাওরবা মালেম অসি অচৌবা ইমুং অমগা পাঙ্থক ওইদুনা লাকপনি। অদুবু লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু নুমিৎ খরনি অসিদা হৈবোংদা লৈবা তিনগুম গভর্ণমেন্ট অসিনা থম্বীরে। মসিনা মালেমগী মীয়ামদা নত্তনা লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়বা ফাওই হায়বা মতসু ফোঙদোক্লখি।

মখা তারদুনা হায়, গভর্ণমেন্ট অসিনা ইন্টরনেট থিংবগী মহুৎতা ফেসবুক, ৱাটসঅপ, মেসেজদা লান্না থাগৎপশিং থিরগা ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক ফঙবা য়াই। সাইবর ক্রাইম য়ুনিট লৈদুনা মমাঙদগী মথৌ তৌদুনা লাক্লিবসিবু হিরমসিদা করিগী নাথৈরগা থম্বীরিবনো। অদুগা করিসু নত্তবা হিরম অমদদি গভর্ণমেন্ট অসিনা মতিং ফুদোক্তুনা কোইথি–থিবগী পাঙ্গল শক্তিদি লৈরি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, গভর্ণমেন্টনা টেলিকোম সার্ভিস থিংজিনখিবগী থৌদোক অসি হৌখিবা চহী ২০১৭তা অমুক অমদি চহীসিগী জুলাই অমদি সেপ্টেম্বর থাদনি। অথিংবা থম্লকখিবসিসু গভর্ণমেন্ট অসিগী স্পেসিয়েল হোম সেক্রেটরীনা হন্দক থোকখিবা ওর্ডরদা হৌখিবা চহী ২০১৭তা শেমখিবা রুলস ২গী টেম্পোরেরি সম্পেন্স ওফ টেলিকোম সার্ভিস (পব্লিক ইমার্জেন্সি ওর পব্লিক সেপ্টি)দা য়ুম্ফম ওইরগা নুমিৎ মঙানিগী অথিংবা অসি থমখিবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# আরএসএস, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি বিজেপিনা...

ওর্গানাইজেসনশিং অমদি ইমা লুপশিংগা পুল্লগা মীফম অমা পাংথোক্লবা মতুং ৱারেপ ৫ লৌরে।

মহাক্না হায়, ৱারেপশিং অদুদি এময়ুগী ৱাথোক্কী মতাংদা হৌখিবা আগষ্ট ১৬তা মণিপুর গভর্ণমেন্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স দিবলপমেন্ট অমদি মুসু,মুতা অসুং মুসাগা য়ানখিবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট অদু মখাতানা চত্থগদবনি।

হৌজিক হৌজিক ওইরক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসি আর এস এস, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি বি জে পিনা পুন্না তান্নরগা অথুবা মতমদা নোর্মেলসি অমা পুরক্নবা হোৎনগদবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা দিপ্লোই তৌরিবা সেকুরিটি ফোর্স পূম্নমক খুদক্তা লৌথোক্কদবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ফাজিনখিবা মহৈরোই অমদি ওজাশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি অমদি ফাগদবগী তান্নরিবশিং অসিসু খুদক্তা লেপক্কদবনি।

থা অসিগী ২০গী অহিং নোংয়াইদা য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা সেকুরিটিনা চত্থখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌই।

হায়রিবা ৱারেপশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবা সিএসও, ইমা লুপ অমদি মণিপুর মীয়াম্না অকনবা মওংদা দিমান্দ তৌরি হায়না জিতেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা মখাতানা হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়, নুমীৎ ৮৫নি রোম মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরুরবা মতুং হন্দক্তা নোর্মেলসিদা লাক্লে। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা খূৎশেমগী ওইবা মওংদা প্লান্ট তৌরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমিক এদমোস্ফিয়ার অমদি য়ুনিভর্সিটিগী লৈরিবা এক্ট অমসুং রুলশিং থুগায়নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স দিবলপমেন্টনা চত্থরকপসি কন্দেম তৌই।

মহাক্না হায়, থা অসিগী ২০দা নুমিদাং সেকুরিটি ফোসশিংনা য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা ইলিগেন্ট ওইবা পোৎ থিবগী মওংদা চত্থখিবা থৌওং অদু য়াম্না চুমদবা অমনি।

হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজা নৎত্রগা মহৈরোইশিংনা অপাম্বা ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা থিংলিবা অসি খুদক্তা লেপক্কদবনি।

এময়ুগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক লৌরিবা ইনিসিয়েটিভ খরগা হেন্না লৌহন্নিংই। য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা থৌদোক অসি মালেমগী অতৈ মফম অমত্তদা থোক্তবা থৌদোক অমনি।

ঙসিগী সিএসওশিংনা লৌরিবা ৱারেপশিং অথুবা মতমদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি এম ঐচ আর দিনা থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারগদি য়ুনিভর্সিটিদা নোর্মেলসি হঞ্জিহন্নবগীমদক খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না সুনিল করাম্না মখাতান ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফমদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ দেবাননা হায়, নুমীৎ ৮৪নি য়ুনিভর্সিটিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লৈরুরবা মতুং হন্দক্তা নোর্মেসিদা হঞ্জিলকপদা মীয়ামনা হরাওনখি। অদুবু অমুকহন্না চরাংনবা থোরকপা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা য়াম্না লাইবক থিবনি।

মহাক্না হায়, হন্দক্তা ইখঙ খঙহৌদনা অমুক হন্না চরাংনবা থোরক্লিবসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মনুংদা থিক্ন তৌনবা হোৎনরকপা অমদি এম এল এশিং থিকা তৌবা য়াওশিল্লকপা লোয়ননা সাইন্স কঙ্গ্রেসকী থাদরক্লিবা শেনফমশিং লৌনবা হোৎনরকপদগী থোরকপনি হায়না লৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ঙসিদি য়ুনিভর্সিটি অসি লৈখা তারে, মালেমগী মমাঙদা ইকায়নিঙাইনি।

হৌজিক অনৌবা ভিসি অমা লাকপসিদা থিকাগী ৱাৎলৌহৌরিবা বিল ইহল্লহৌনবা চঙশিন্নরক্লেহায়বগী পাউসু তারে। মসি চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বদু গভর্ণমেন্টনা থিগৎপিয়ু। য়ুনিভর্সিটিদা থিকা তান্নবগী মওংসি লেপ্পিয়ু।

এম ঐচ আর দিসু নাকল অনী চাবগী মওংদা থবক তৌই। অমদা অমা হায়নি অমদনা অমা অমুক হায়নি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি চত্থদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি মুৎনবা থওইনা শিল্লবরা হায়সি চিংনবা পোকই।

হৌজিক য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি মাগী মাগী খুৎচাবী হাপ্পা হোৎনরকপদগী থোরকপনি। মসিগুম্বা থৌওংসি খুদক্তা লেপকদবনি। অমদি নোর্মেলসি পুরক্কনবা আর এস এস, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি বি জে পিনা কোক চুংশিন্নরগা অথুবা মতমগী মনুংদা হোৎনগদবনি। নৎত্রগদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা পুল্লগা খোঙজং চঙশিনবা শেম শাবা লোয়রে হায়না দেবাননা মখাতানা হায়খি।

# স্বচ্ছত হি সেভগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ এনএসএস য়ুনিট শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গার্লস কলেজ, খুরাইনা শীন্দুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর তাং ২২ থাংজ নুমিৎতগী হৌদুনা থাসিগী ২৪ নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা লম–তু শেংদোকপগী থৌরম কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. কোন্সম দাবোশাখিনা লুচিংদুনা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা প্রিন্সিপাল দাবোশাখিনা হায়খিবদি, ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা হৌদোকখিবা ভারত পুম্বা লু–নান্না থম্বা হায়বা পান্দমগী শরুক অমা ওইনা কলেজ অসিগী অকোয়বা মফমশিং লূ–নান্না থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরমদুদা কলেজ অসিগী ওঝাশিং, ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখি।

# স্বছতা পাখৱারা পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ থাসিগী ১৫দগী হৌরক্লগা মথঙ থাগী ২ ফাউবদা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরক্লিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্বছতা পাখৱারা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং চুরাচান্দপুরদা লৈবা সবসিদ্যরি ট্রেনিং সেন্টর (এসটিসি), বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী ওফিসরশিং য়াওনা পার্সোনেল ৩০০না শরুক য়াদুনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লম–তুশেংবগী থবক পাঙথোকখ্রে হায়না ট্রেনিং সেন্টরসিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট সন্দিপ সৌরভনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বিএসএফকী মায়কৈদগী লম–তু শেংদোকপা অসিদা দিষ্ট্রিক্টসিগী য়ং পাইটে এসোসিয়েসন, য়ং ভাইফে এসোসিয়েসন, সিমটেয়ুথ ওর্গনাইজেসন, জৌ য়ুথ ওর্গেনাইজেসনগী মেম্বরশিং অমদি দোন বোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি হোপ বেপটিষ্ট একাডেমিগী মহৈরোইশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংসু য়াওখি হায়রি।

লম–তু শেংদোকপগী থবক অসিগী শরুক অমা ওইনা চেংকোমপাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পটালগী কেম্পস ফাউবদা স্বছ পাখৱারগী মতাংদা রেল্লি অমা চৎখি। মসিদা থৌরমসিগা মরী লৈনবা প্লে–কার্ডশিং পায়বগা লোয়ননা স্লোগানশিং লাউখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# সেন্টর অমসুং ষ্টেট...

থাদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা প্রো. কে জুগিন্দ্রোনা শীরিবা মরালশিং অদুসু কন্দেম তৌই। হিন্দুত্ব আরএসএস সরকারগী এজেন্দা অমদা ঐচআরদি মিনিষ্ট্রিগী খুত্থাংদা কে জুগিন্দ্রোবু পোলিটিকেল ফিগর ওইনা প্রো–ভিসি হাপখিবা অসিসু অকনবা মওংদা ওপোজ তৌই। প্রো. দল্লীয়ু বিশ্বনাথপু প্রো–ভিসি অদুগা প্রো. দোরেন্দ্রজিৎপু রেজিষ্টার ইনচার্জ ওইনা অদুমক লৈরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা মুসুগী ফাইনান্স সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, প্রো. জুগিন্দ্রোনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা এময়ু ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা ভারত সরকারনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা থিনা চৈরকখি, প্রো. বিশ্বনাথ অমদি প্রো. দোরেন্দ্রজিৎনা চীফ মিনিষ্টর উনগে হায়বদা অয়বা পীরকখিদে, মখোয় অনীনা য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিতিগী ইহুলদা থবক তৌই হায়বসিনি।

মখা তারকপদা চীফ মিনিষ্টরনা য়াম্না শাওনা হায়রকপদগী এফআইআর দ্রাফ তৌখি। মদুদা প্রো. জুগিন্দ্রোনা সহি তৌবনি হায়বগী ৱাফমসু থমখি। পূম্নমক অসিনা ময়েং শেংনা তাক্লিবদি সিক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নদুনা ভিসি ওফিস চেম্বর অমদি রেজিষ্টার ওফিসকী ছো থুগাইরিবা অসি মণিপুর সরকারনা এমওএগী মতুং ইন্না শেমখ্রবা ইনক্কারি কমিতি অদু থুগাইনবা হোৎনবনি হায়বসিনি। অমুকসু এমওএ অদু ফাগি তাহনবনি। পূম্নমক অমসি মরাল লৈরবা এপি পান্দে কন্নবা হোৎনবনি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

# 'ইম্ফাল জিরি হেলিকোপ্টর...

অদুনা মতম লৈরিঙৈদা য়েংহৌবা চুমগনি হায়না মীয়াম মরক্তগী ফোঙদোক্লরক্লি।

জেহ্থোন রোমৈ কৌবা অমনা ফোঙদোরকখিবদি ইম্ফাল জিরিবাম হেলিকোপ্টর সার্ভিস থম্বসি য়াম্না নুংঙাই। অথু অকাইগী অমদি নোংজু পন্থাদা ইম্ফাল চৎপদা থোইনা প্রোব্লেম লৈররোই, বন্দ ব্লোকেদ অমদি লম্বী য়াদবা লৈরবসু অৱাবা লৈররোই। অদুবু মতম চানা সার্ভিস অসি মীয়ামদা ফঙহন্দ্রবদি পূম্নমক অসি অরেম্বা ওইগনি। অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম লৈরিঙৈদা য়েংশিনবীদুনা চাং নাইনা সার্ভিস অসি লৈহন্নবা হোৎনবীয়ু।

# ইং–তপ্পা একাদেমিক এটমোসফিয়র...

অমসুং দোকুমেন্টশিং ওফিসতগী লৌথোক্লবা হোৎনরে হায়না মুসুনা মরাল শীরকখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙলদুনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাঙদা ওফিস ছো হাংদোকখিবনি অমসুং ওফিস অদুদা লৈবা ফাইল অমসুং দোক্যুমেন্ট খুদিংমক চৎলিবা থা অসিগী ২১দা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেটনা সিক্যুরিটিগী মখাদা সিল্ড তৌদুনা থমখ্রবনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ভিসি অমসুং রেজিষ্টরগী ওফিস অনীমক দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মাঙদা ছো হাংখিবনি। মহৈরোইশিংগী ইন্টরেষ্টতা য়ুনিভর্সিটি অসি হান্নগুম্না মথৌ তৌবা য়ানবা মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মীয়াম অমসুং মরী লৈনবা পূম্নমক্তা হায়রি।

# মহৈরোই ১৭২ রোম হোষ্টেলদগী লাঞ্জেন্নখ্রে পরিক্ষা বোইকোট তৌবগী ৱারেপ...

চৎক্কদৌরিবনো হায়না হংবদা থা অসিগী ২০গী নুমিদাংদা মশীং য়াম্লবা সেকুরিটি ফোর্সশিংনা হোষ্টেলশিংদা রেইদ চত্থবগা লোয়ননা টিয়ার গ্যাস অমসুং স্মোক বোম কয়া কাপখিবা অমদি হৌজিকসু মশীং য়াম্না সেকুরিটিশিং দিপ্লোই তৌদুনা থম্লিবা অসিদা করি থোরক্কদে খনবদা অকিবা ফাওরে। মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক্তসু করিসু য়াওজদবদা মৈ থাবা য়াওই হায়না চার্জ তৌরকখিবা লৈখ্রে। অদুগুম্না তৌরক্কদ্রা খনবদগী অমদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লাইরিক পাবদা পূক্লিং চংঙু য়াদবদগী য়ুমদা হনবনি হায়রমখি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটিসিগী দিপার্টমেন্টগী খরগীদি মহৈরোইশিং মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিদা নোর্মেলসি হঞ্জিহন্দ্রফাওবা পরিক্ষ্যা থাদবগী ৱারেপ লৌরে হায়না দিপার্টমেন্ট খরগী মহৈরোইশিংনা সাইন তৌদুনা থারোকপা চেরোলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী মহৈরোইশিংনা থাদোরকপা চেরোলনা ফাখিবা মহৈরোই অমদি ওজাশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকউ, য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা মিলিটরিরাইজ তৌবা তোকউ অমদি পুলিস পার্সনেলশিং অথুবা মতমদা লৌথোকউ। হায়রিবশিংশি থবক ওন্থোকরক্তবদি এগজাম বোইকোট তৌগনি হায়রি।

ষ্টেটেটিক্স দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোলনা থা অসিগী ২০গী নুমিদাংদা মশীং য়াম্লবা সেকুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌই।

থৌদোক্তুদা মহৈরোই কয়া অশোক অপন নংবগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা করম্না লাইরিক পারগা এগজাম থাগদৌরিবনো। চৈরকসিদা এগজাম পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লিবা অসি য়ানিংদে।

ফাখিবা ওজা অমদি মহৈরোইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরকউ। য়ুনিভর্সিটিদা নোর্মেলসি অমা পুরক্ত্রিফাওবা এগজাম থাদবা হায়না ৱারেপ লৌরে হায়রি।

কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ফাখিবা ওজাশিং থাদোকউ, মখোয়গী সম্পেন্দ হনগৎহল্লু, ফাখিবা মহৈরোইশিং থাদোকউ, এময়ু কেম্পসতগী পুলিস পার্সনেলশিং লৌথোকউ অমদি নোর্মেলশিং হঞ্জিহন্দ্রিফাওবা এগজাম থারোই হায়রি।

# এয়রপোর্ট দ্রগ কেস ঃ পুলিস ওফিসার ১ কার্গোগী ষ্টাফ ১ জবান...

মহাক্না কেস অসিগী পিদল্লীয়ু নম্বর ১৪নি।

কেস অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই)না কোর্টতা সবমিট তৌরকপা চার্জসিটতা য়াওবা পিদল্লীয়ু অনীসিনা মখোয়গী ওইবা জাবনশিং পীরবা মতুংদা মখোয় অনীমক কেস অসিগী অপুনবা এক্যুইজশিংগী মরক্তগী এক্যুইজ ওক্রম হেনরি, রামভির ত্যাগি, অরগুম অমসুং রজনিস কুমারগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদভোকেটশিংনা ক্রোস ইগজামিনেসন তৌখি। পিদল্লীয়ু নম্বর ১৩ কে ব্রোজেননা কার্তুন বোক্স তরেৎ পীক থন্না য়াওরম্বা দ্রগশিং অদু এমআইয়ুগী টিমনা ফাবা চঙবা, ফারগা গারীদা হাপ্তুনা পুরকখিবা, মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা হাঙদোক্তুনা মথংগী নুমিৎ জনুৱারী ১২দা য়েংবদা টেব্লেট (দ্রগ)শিং অদুনা কার্তুন বোক্সশিং অদুগী মনুংদা হাপ্লগা দ্রগশিং অদুগী অকোইবা অমদি মথক্তনা জর্দা পেকেটশিংনা হেক য়েংবদা দ্রগশিং অদু উদনবা কুপশিল্লমখি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। অদুগা টেব্লেটশিং অদু মশিং থিরবা মতুংদা শিজর লিষ্ট শেল্লগা মদুদা মেজিষ্ট্রেটতুনা সহি তৌরগা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্ননবা পুখি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা থমখি।

অদুগা পিদল্লীয়ু নম্বর ১৪ ওইরিবা এস তেম্বী মৈতৈনা মহাক্কী কার্গোনা কিলোগ্রাম ৫০দগী ১০০ ফাউবা লূম্বা চুরুট, মোরে চপল অমদি ব্লদ সেম্পলনচিংবশিং কোলকত্তাদা থাবগী থবক তৌখি। অদুগা কোলকতাদগীনা ক্বা মনা, য়েন্নাও মচা, ফার্মাসিগী হিদাকশিং অমদি মোটোর স্পেয়র পার্টশিংনচিংবশিং হেক হেক থারকখি হায়খি।

কার্গোদা বুক্কিং তৌবা অমদি দেলিভরি তৌবসি জিটিএল প্রাইভেট কম্পেনি কৌবা প্রাইভেট কম্পেনি অমনা তৌই। কম্পেনি অসি কোলকতাদা বেজ তৌবা রুদ্রা ইনফিনিতিগী মখাদা থবক তৌবনি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা জিটিএল প্রাইভেট লিমিটেদকী থবক থৌরমশিংনা 'গোপি' কৌবা সাউথ ইন্দিয়ান অমনা য়েংশিনবগী থবক তৌই হায়খি।

কার্গোদা লাকপা কন্সাইনমেন্টশিং মসিগী কন্সাইনিশিংদা য়েন্থোকপগী থবকশিংনা কম্পেনি অসিগী তেম্বা, বিনোই অমদি রাম কৃষ্ণনচিংবা কৌবা মীওইশিংনা তৌই হায়খি।

অদুবু কার্তুন বোক্স ৭ পীক থনবা দ্রগশিং ফাবা নুমিৎসিদদি মহাক ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈখিদে। নুমিৎসিদা মহাক্তি থাইলেন্দদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান চেম্বরস ওফ কর্ম্মসকী বিজিনেস কনক্লেভ অমদা লৈবাকসিগী মীহুৎ অমা ওইনা শরুক য়াদুনা লৈখি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

# এসেমব্লি মীফম কৌনবা দাবী...

হায়নসু মহাক্না মত পীখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চৎনবা য়াদ্রবা ফোর্স লিভতা লৈখ্রবা ভিসিনা প্রো–ভিসি হাপচিল্লকপবু এমঐচআরদিনা অমুক এপ্রুভ তৌরকপা হায়বসি এমঐচআরদিনা করিগুম্বা খরা শান্নদুনা লৈরে হায়বসি তকচবনি।

ভিসি–ইনচার্জ লৈদুনা ইনক্কারি চত্থবা হৌরবা মরক অসিদা প্রো–ভিসি অমা হাপচিল্লকপা অসি ইনক্কারি অসি চৎনবা য়াদনবা শিনবা থৌরাং অমনি। মরম অসিনা এপি পান্দে অসি মরাল লৈতে হায়রক্লেই হায়নিংঙাই লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লমদম অসিগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশঙ অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী থাজবা অদু মাঙখিদুনা এময়ু অসি মুৎখিগদ্রা হায়না চিংনদবা ঙমদে হায়নসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংদুনা লৈঙাক অসিনা মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংগী খন্দুনা এসেমব্লি মীফম কৌগদবনি হায়না ডা. নরানা কন্না দাবী তৌখি।

কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইরিবা কংগ্রেসকী ৱঙাংলোই এক্স–এমএলএ আরকে অনন্দনা হায়, হন্দক মীয়াম্না এময়ুগী ৱাথোক লোইশিল্লে হায়না কাওরুরবা মতুং ইখঙ–খঙহৌদনা পোলিসনা এময়ু কেম্পসতা অকনবা খবক চত্থদুনা ওঝা অমদি মহৈরোই ফাজিনখিবগী থৌওং এপি পান্দেবু অথুম্বনি উংনবা লৌতুনবা থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙমদে। ফাজিনখিবা ওঝা অমদি মহৈরোইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।